থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয়না লৈরিবসি 'ইদেন গার্দেন' দুমক্কি

লাইগী লৈবাক 'লাইরৈবাক' হায়বা অমা লৈ হায়বসিবু অদোম থাজবীবরা? লাইরৈবাক, স্বর্গ, তাইবঙ মপুগী লৈকোল... পুন্নমকসি চপ মান্নবা ৱাহৈ (পোৎশক) অমগী তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক? নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা অমমল্লা? মাগী মাগী ধর্ম্মগী ৱারীনা তোঙান তোঙানবা ৱারী অমমম লীদুনা ঐখোয়বু কোক ঙাওহল্লি। লাইরৈবাক (হেভন) হায়বদু শেল্লরবনা 'নরক' (হেল) হায়বা অমসু শেল্লম্মী ৱাহৈ ওইনা। মীরৈবাক (মীনা লৈনবা লম, মীগী লৈবাক) অসিবুরা 'নরক' হায়রিবসে? ঐখোয়গী ওইবা ৱাশেন-ৱারী লৈরমদবনা, কনানসু হায়রমদে। লৈরল্লবসু ঐদি য়েৎকনি, মদু ঐহাক য়ানিংদে। মীগী লৈবাক, মালেম, মীরৈবাক অসি নত্তবা, খঙদে ঐখোয় অতোপ্পা তাইবঙ অমা। ...'তাইবঙ শিন্থা লোইরদুনা, মপুগী লৈকোলদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখরে...' হিন্দু লাইনীং থাদোক্লবা/য়ানিংদবা কাঙবুনা লৈখিদ্রবা কনাগী অরোইবা থৌরম পাঙথোকপদা ৱাপাউ ওইনা পাউজেনবদা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। লাইনীং লম্বী পুন্নমক্না হায়- শিরবা মতুংদা ঐখোয় লাইরৈবাক্তা চৎকনি। থাজবনি। থাজহনবনি। লৈ/লৈতেসু খঙদবা মফমদুদা কনানা কমদৌনা চৎতৌরিবা? কোরান'দা হায়, অল্লাগী মপাউ থাজদবা মহাক্তি, শিরবা মতুংদা শোয়দনা নরক'তা চৎকনি। 'জন্নৎ'- অফবা থবক তৌবা মুস্লিমশিংগী শিরবা মতুংদা চৎফমনি।

ঐবু কয়ারক তাকপীবা ঙম্বা লৌশিংবশিংদা ঐনা ঙসি তম্লুরিবা পাউদমসিবু করিনো? কনানসু কনাগী ৱা লৌদ্রবা মতমসিদা অসুক-কন্ট্রোভর্সিয়েল ওইখ্রবা ৱাসিবু করিগীনো থম্মোয় পাউদম ওইনা লৌখৎলুরিবা? ইগে কলম পায়খৎলুবদসু খনখি- ঐবু মসি ইরসিরনে? কনাগুম্বা খরদা নুংনাংহনগদবা পাউদুদি তমদবনা ফৈদনা! অদুবু ঙরাং নোংমাইজিং



ওইবনা খৃষ্টিয়ান মরুপশিংগীদি খ্বাইদৈ শেংবা নুমীৎনি। খৃষ্টিয়ান ওনবা কুইদ্রিবা বামোন অমা লাক্লম্বনি ইনাক্তা। ৱাগী ৱাফৈ মরক্তা 'ইপা ঈশ্বর'গী মপাউ তমদুনা স্বর্গ চৎনবা অশেংবা লম্বীদি মহাক্না চৎলিবা লম্বীদুনি হায়রম্মী। হিন্দু অমদি সনামহী লাইনিং চৎপশিংবু হুন্দুনা ঙাঙলকপদা হাইফেৎ চীন্দা-পাউদানখি। ইয়ুমদা ঙাঙনবা ওইবনা ঐহাক হাইফেৎ মনিং হনখিবনি। পব্লিক দিসকোর্স ওইরল্লবা, চপ চাবা পাউখুম পীরম্মি। ইকুই কুইদ্রিঙৈ, মুস্লিম মরুপ অমগা চা থকমিন্নবদসু 'ইস্লাম'দগী হেনবা অতোপ্পা লাইনিং লৈতে হায়রকখিবদুসু নীংশিংখি। লাইগী লাইপাউ শন্দোকপদবু অতোপ্পা লাইনিং হুন্দুনা ঙাঙলুবা, নুংশিনদনবগী হূ কামশিন্নবগী ফোঙ ফোঙ শাবা ৱা লৈরিঙৈ মতমসিদা অদুগুম্বা ৱাঙাঙদো, ঐনা খ্বাইদৈ য়ানিংদবা, পামজদবা ৱাঙাঙনি। অদুবু, ঙাকপীঙৈবা কাঙলুপনা ঙাকপীরিঙৈ, অতোপ্পা কাঙলুপ খরদি, লৈতোন শরদ পান্দে হায়নবগুম, ৱাঙাঙ কমজাও হুল্লক্লে, কনাগুম্বা খরদদি 'খাঙবা-ঙম্বগী পনখৈ লাল্লক্লে' হায়রক্কনি শোয়দনা।

ৱারম অসি লৈবনদি 'থম্মোয় পাউদম' ওইনা লাইরৈবাক্কী পাউসি তমগে থৌরাংজরুবা। মান্নি, লাইরৈবাক্কী পাউ! অশেংবা লাইরৈবাক্কী পাউ! মীৎনা-শেংনা উরবা, খোঙনা শেংনা চৎলবা লাইরৈবাক্কী পাউ। তাইবঙ শেন্থা মপুনা, ইহান হান্না নমু তাইবঙ মী (অদাম) শেমদুনা মহাক্কী অশেংবা লৈকোলদা থল্লমখিবা, মীদুগী মপাঙ ওইনবা অহানবা শেন্থা মীদুদগী মচেৎ অমা লৌদুনা নুপী (ইভ) বুসু শেল্লগা থল্লমখিবা মফমদুগী মপাউনি।

চারুনু হায়বা উহৈ অদু চারুবদগী 'অদাম অমসুং ইভ' অনীবু ঈশ্বরনা মাগী অশেংবা লৈকোলদুদগী তাম্থোকখি। করন্থা উহৈ? মদু চারবদি তাইবঙগী অচুম-অরান, অফ-ফত্তা করিনো- পুন্নমক খঙলগদবা উহৈ। ইদেন গার্দেন'দা হৌবা উপাল, তাইবঙপানগী জ্ঞান-লৌশিং পুন্নমক্কী হৌরকফম ওইবা উপালদুগী মহৈ অদু চারুবগীদমক মখোয় অনীবু ঈশ্বরনা স্বর্গদগী (লাইরৈবাক্তগী) তাম্থোকখি। ঐখোয় পুন্নমক মখোয় অনীগী চাদা-নাউদানি।

লাইরৈবাক্তুদগী তাম্থোক্লগা মখোয় অনী কদায়দা চৎখিবগে? পাউখুম থিবা ৱাদবনি। ঐখোয়না লৈরিবা মালেমসিদনি, মখোয়না চঙজফম লৌখিবা। ঈশ্বর মাগী ইদেন গার্দেন (লাইরৈবাক) অদুসু মালেমসিগী মফম অমদা লৈরম্লবা, করিগী তাম্থোকখিদে মখোয়বু মালেমসিগী ৱাংমদা?

ঐদি থাগৎলি-ঈশ্বরগী য়াথং ইনখিদবা 'অদাম অমসুং ইভ' মখোয় অনীবু থাগৎলি। মখোয় অনীনা উহৈ অদু চারুবগী মহৈনি মীওইবনা ঙসি ফংঙমদ্রবা লৌশিং পুক্কে ফংলিবা, ঈশ্বর মাগী মফম অমা পীবা ঙল্লিবা, অফবা ফত্তবা অনীগী খেন্নবা খঙলি, পাপ-পুন্য মশক খঙবা ঙল্লিবা। উহৈ অদু চারমদ্রবা ঐখোয় অমম্বদা লৈরমনি, নুংশিবা মশক খঙলম্লোই, নুংঙাইবা মশক উরম্লোই অৱাবসু খঙলম্লোই। ঈশ্বরগী অথিংবদু নমখায়রুবগী মহৈনি- ঙসিগী ফজরবা তাইবঙপান অসি শেল্লম্লিবা।

মাগী অহকপা য়াথং অদু ইনবদনি মীওইবনা শান্তি থুগায়রিবা, নুংশিনদবৈ মরুহল্লিবা, হাৎতেক্নরিবা অমগা অমগা। মহাক্না পীরম্বা লৌশিংদুনা ঐখোয়বু মশক খঙহল্লি, অমম্বা করিনো, অঙম্বনা কদায়দনো? মহাক্কী লৈকোল স্বর্গদুনা কদায়দা, পাপিশিংগী লৈফম 'নরক'তুনা কদোমদা? লাইগী লৈফম, মীগী লৈফম- অনী অসি তোখায়দে। মালেম লৈমায়সিমক্কি। পূক্লিংসিগী মান্নদবা থাক অনীনি- হেভন অমদি হেল-নরক নৎত্রগা লাইরৈবাক।

ঐখোয়না ঙসি লৈরিবা-অদুঙৈগী 'ইদেনগী লৈকোল' অদুমক্কি। হিংসি পুন্সি মরেক মহাও থোক্না। ফত্তবা ৱাখল খনগুমসি, ফত্তবা থবক তৌগুমসি, ফত্তবা পাউতাক পীগুমসি। লৌশিং পীবা উহৈদুদি চামিন্নসি ঐখোয় পুন্না।

লৌশিং পুক্কে

# থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং

থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং একুট কিদনি ইঞ্জুরি (এ কে আই) অমসুং কিদনি ফেলিয়রগুম্বা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ মায়োক্লরকপা য়াই হায়না ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্লিনিকেল জর্নেল ওফ দ অমেরিকান সোসাইটি ওফ নেফ্রোলোজি (সী জে এ এস এন) দা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং তোঙান তোঙানবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরকপা য়াই। মরুওইনা একুট কিদনি ইঞ্জুরি অমসুং কিদনি ফেলিয়রগী খুদোংথীবা মায়োক্লরকপা য়াই।


মশা-মউ ফবা অঙাংশিংগা য়েংনবদা কিদনি ইঞ্জুরি লৈবা অঙাংশিংগী হক্কী ঈশিংদা য়াওরকপা প্রোটিনগা খেন্নবা কয়ামরুম লৈরম্বসু রিছার্চরশিংনা থেংনরকখি। মরম অদুনা হক্কী ঈশিংদা য়াওরকপা প্রোটিনগী মওং মতৌ য়েংলগা কনাগুম্বা অমগী কিদনি শোক্লেনৎত্রগা ফীভম ফরি হায়বদু ইরায় লায়না খঙবা ঙল্লগনি।

বর্মিংহেমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ অলাবমাগী রিছার্চর দেবিদ এস্কেনাজিনা হায়খি, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং ১১৩ গী



খরা অমনা মতম খরা লৈরগা তুংগী পুন্সিদা তপ্পা তপ্পা মায়োক্লরকপনি।

সোর্ট টর্ম কমপ্লিকেসন অমসুং লোং টর্ম কমপ্লিকেসন হায়দুনা মখল অনী থোক্না খায়দোকপা য়াই। সোর্ট টর্ম কমপ্লিকেসনশিংদি হেক পোক্লকপগা নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা; ব্রোংকোপলমোনরি দিসপ্লেসিয়া হায়না খঙনবা লংসকী লায়না; ব্লদ প্রেসর নেম্বা



হক্কী ঈশিং লৌরগা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা প্রোটিন মখল খরগা কিদনিগী ফীভমগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙলকখি। থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিংগী হক্কী ঈশিংদা তোঙান তোঙানবা প্রোটিন মখল ১৪ য়াওরম্বা থেংনখি। হায়রিবা প্রোটিনশিং অদু অঙাংশিং অদুগী কিদনি শোক্লকপা য়াবগী ময়েক শেংলবা খুদমনি।

থা শুদনা পোক্লকপা অঙাং খুদিংমক হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরক্কনি হায়বা নৎত্রগসু অঙাং অয়াম্বা মশা-মউ ফগন্দে। অঙাং অমা থা শুদনা অমসুং মতম ঙনখৎনা পোক্লিবমখৈ খুদোংথীবা মায়োক্লবা য়াবগী রিস্কসু ৱাংই। কনাগুম্বা খরদি হেক পোকপগা খুদোংচাদবা অদুম্মক মায়োক্লরে।

(হাইপোটেন্সন); ব্রেনদা ঈ থোকপা (ইন্ট্রাভেটিক্যুলর হিমোরেজ); হকচাংগী টেম্পরেচর কা-হেন্না হন্থখিবা (হাইপোথর্মিয়া); নেক্রোটাইজিং এন্টরোকোলাইটিস (এন ঈ সী) নচিংবা গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল প্রোব্লেমশিং; ঈদা য়াওবা আইরনগী চাং ৱাৎপা (এনিমিয়া); জোন্দিস; ব্লদ প্রেসর নেম্বর (হাইপোগ্লাইসিমিয়া) অমসুং ইম্ম্যুন সিষ্টেম দিসওর্দর অসিনচিংবনি।

লোং টর্ম কমপ্লিকেসনশিংনা সেরিব্রেল পালসি, মহৈ তম্বদা শোৎথবা, মীৎ শোকপা, না তাথীবা, য়া ফৎতবা, এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি সিন্দ্রোম (এ দি ঐচ দি), অজমা অমসুং সদন ইনফেন্ট দেথ সিন্দ্রোম (এস আই দি এস) নচিংবনি।

সেরিব্রেল পালসি হায়বসি ব্রেনদা মপুং ফানা ঈ য়ৌরক্তবদগী হকচাং লেঙ ওৎপা ঙমদবগী থৌওংবুনি। থা শুদনা পোকপা অঙাংশিং খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লগনি। নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াইসু ৱাৎপা মরম্না মহৈ-মশিন তম্বদা শোত্থগল্লি। ঈ উতোং পোমখৎলকপদগী রেটিনা শোক্লক্তুনা ময়েক শেংনা মীৎ উবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপসু য়াই।

অমরোমদা, থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিংনা না তাথীবা মীশক ওইগল্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মখলগী অঙাংশিং চাং নাইনা হিয়ারিং চেক তৌথোকপীগদবনি। মপুং ফানা হৌগৎলক্তবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াবা মরম্না য়াগী মতাংদসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীগদবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না থাবুম ১০ নাউপুরগা পোক্লকপা অঙাংশিংগা চাংদম্নবদা থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি সিন্দ্রোম (এ দি ঐচ দি) গী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মরম অদুনা মশুং-মমান্নবগা তীন্নবা অমসুং মহৈ তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োক্লে। খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবদি পেটেন্ট দক্টস আর্টিরিওসস (পি দি এ) হায়না খঙনবা হার্টকী প্রোব্লেম মায়োক্লরকপা য়াবগী মতাংদনি। হার্টতগী থোরকপা মরুওইবা ঈ উতোং অনী হাংদোরকপগী থৌওংবু পি দি এ হায়না খঙনৈ। মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি হার্ট ফেল ওইহন্দুনা অঙাং অদু শিবা য়াবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা চেকশিনবা মথৌ তাই। অতোপ্পা অমনা ইন্ট্রাভেন্টিক্যুলল হিমোরেজগী মতাংদনি। থা শুদনা পোক্লকপা অঙাংশিং ইন্ট্রাভেন্টিক্যুলর হিমোরেজনা মরম ওইরদুনা ব্রেনদা ঈ চঙখিবদগী খুদোংথীবা মায়োক্লরকপা য়াই।

পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা মীরোনবী নুপী খুদিংমক মতম চানা অমসুং চাং নাইনা চেক তৌথোকপা মথৌ তাই।

# ফিয়রৱেল পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) গী কন্ট্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন্স ওইনা চহী ২ থৌ পুরল্লবা কে টিকেন অমসুং বোসেমগী অন্দর সেক্রেটরি ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথাখ্রবা ৱাই নাগেশ্বরবু বোসেমগী ষ্টাফশিংনা ফিয়রৱেল পীবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বোসেমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ফিয়রৱেল পীবগী থৌরম অদুদা বোসেমগী সেক্রেটরি সী ঐচ শরত, জোইন্ট সেক্রেটরি পি ঐচ নন্দকুমার শর্ম্মা অমদি ষ্টাফ কয়ানা শরুক য়াখি। কে টিকেন দেপ্যুটেসনদা লাক্তুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী জুলাই ১ দগী বোসেমগী কন্ট্রোল্লর ওইনা থৌ পুবা হৌরকখিবনি। অদুগা চহী অসিগী জুন ৩০ দা কন্ট্রোল্লর ওইনা থবক পুবগী মতম লোইখিবনি। কে টিকেননা থবক পুবগী মতম লোইখিবা অসিগা মরী লৈননা বোসেমগী অনৌবা কন্ট্রোল্লর ওইনা এল ফুলচান্দনা থবক পুবা হৌখ্রে। থৌরম অদুদা বোসেমগী ষ্টাফশিংনা কে টিকেন অমসুং ৱাই নাগেশ্বরদা অচম্বা খুদোলপোৎসু পীদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

# ৱাকৎ মীফম ফমগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্না পুলিস কন্সটেবল মেল লৌনবগীদমক ভিভা ভোসি লোইখ্রগা ফল লাউথোকপীদনা লৈরিবা অসিবু পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা ওগষ্ট ২গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফল্লগনি হায়না ওল মণিপুর রিটন টেষ্ট সক্সেসফুল কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল, মেল ২০১৩গী সেক্রেটরি এল নন্দকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দিদেটশিং অমদি অহল-লমনশিংনা মশা মশাগী অচিনবশিং কায়থোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়াবীয়ু। মণিপুরগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু মতেং পাংবিয়ু। ভিভা ভোসি লোইখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট মাপনগী ওইনা কেন্দিদেট ১০২৮৭বু মরম চাদনা ঙমই মতাগুম নমথদুনা থম্বা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা ওইরক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মীয়ামগী চেঙ, চিনি হুরানবশিং ফাননবা হোৎনবীয়ু : রোমিও

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : কৈশামথোং এসেমব্লী কনষ্টিট্যু-এন্সিগী মীয়াম্না পি দি এসকী ফংফম থোকপা এ পি এল, বি পি এল, এ এ ৱাইগী চেঙশিং অমদি চিনি চহী অসিগী জন্যুৱারি থাদগী মার্চ ফাওবদা ফংদনা লাকখিবা অদু গোদাউনদগী লৌথোকখ্রে হায়বা আর টি আই থাবদগী খঙবা ঙল্লে। মরম অসিনা মীয়ামগী চাকথুং ওইরিবা চেঙ, চিনি হুরানবদা চেন্নরিবশিং ফাননবা এম এল এনা হোৎনবীয়ু হায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১৩ গী কোর্পোরেটর ওইনাম রোমিওনা ফোঙদোকখ্রে।

পিশুমথোংদা লৈবা মশামক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱার্দ নম্বর ১৩ গী কোর্পোরেটর ওইনাম রোমিওনা হায়খি, কৈশামথোং এ সীগী মীয়ামদা চহীসিগী জন্যুৱারি থাদগী মার্চ ফাওবগী ওইনা পি দি এসকী ফংফম থোকপা চেঙ ফংহনবা ঙমদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মীয়াম্না মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহনবীয়ু হায়দুনা খোল্লাউ কয়া লাউরবসু এম এল এনা মহাক চেঙগা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুমকপু মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্নবা নোমিনি অসি কনানা হাপ্পনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু। নোমিনি হায়বসি এম এল এনা হাপখিবা নৎত্রা। এম এল এনা হাপ্লবা নোমিনি অদুনা পি দি এসকী চেঙ, চিনি, এস কে ওইল মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী গোদাউনদগী চিংথোক্লবা মতুং মীয়ামদা য়ৌহনগদবনি। মরম অদুনা এম এল এগা মরী লৈনদে হায়বদি য়ারোই।

মীয়াম্না চেঙ ফংদ্রে হায়দুনা লাউরিবা অসি ফংহন্নবা হোৎনরবদি মীয়াম্মসু এম এল এবু য়াম্না থাগৎনরমগদবনি। ৱার্দ নম্বর ১৩ গী কোর্পোরেটর হন্দক্তা ওইরকপদগী মীয়াম্না চহীসিগী জন্যুৱারি থাদগী মার্চ ফাওবগী চেঙ, চিনি ফংদ্রে হায়দুনা ৱাকৎ কয়া লাকখি। মীয়ামগী ৱাকৎ অদুগী মতুংইন্না চেঙ, চিনিশিং ফংহনবীয়ু হায়জবনি। হৌজিক্তি আর টি আইগী খুথাংদা জন্যুৱারি থাদগী মার্চ ফাওবগী চেঙ, চিনি কনা কনানা চিংথোকখিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে। মরম অসিনা কৈশামথোং এ সীগী মীয়ামদা চিংথোকখ্রবা চেঙশিং অদু ফংহন্নবগী থবক এম এল এনা পায়খৎপীয়ু। মদু নত্তদুনা মীদিয়াগী খুত্থাংদা থৌদাং য়াওদবা ৱাদি ঙাঙবীগনু।

চেঙ, চিনি পীখিবগী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট অমদি এজেন্টশিংনা চেঙ, চিনি চিংথোকখ্রে হায়বগী পীখৎলকপা দোক্যুমেন্টশিং হৌজিক্তি আর টি আইগী খুত্থাংদগী ফংলে। চিংথোকখ্রবা চেঙ, চিনিশিং অদু মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে হায়দুনা ৱার্দশিংগী এজেন্ট খরা, মেম্বর খরা অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী জেনরেল সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীরগা ওথোরিটিদা লানখৎলকপা চে-চাংসু ফংলে। অসিগুম্লবা মীয়ামগী চাকথুং লৌথোকখ্রগা ফংহন্দবশিং অসিগী মথক্তা এম এল এনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু অমদি হায়রিবা থাশিং অসিগী চেঙ, চিনিশিং মীয়ামদা ফংহনবীয়ু। মীয়াম্না চেঙ ফংদবগী ঙাওনরিঙৈ চৈরকসিদা শেলগী ৱাফম কয়া এম এল এনা পুশিল্লক্লিবা অসি ঐহাক্না করিগুম্বা অমত্তা মরী লৈনদে। চেঙ ফংহন্দবগী ৱাফম অসিবু থৈদোক্নবা হোৎনবনি।

মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙ, চিনিশিং অসি কনা কনানা চিংথোকখিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙনিংলবসু মরী লৈনবা চে-চাং পুন্নমক পীজগে। চেঙ, চিনি চিংথোকখিবগী চে-চাংশিং অদুদা কনা কনানা সোই তৌবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙলগনি। মীয়ামগী চাকথুং মৎলিবশিং অসিগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপগী মহুত্তা মরী লৈনদবা ৱাফম কয়া পংহায়দা হায়বা তৌবীগনু।

অমরোমদা, এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা হৌজিক ফাওবা নেসনল ফূদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা পীবা রেসন কার্দ অমদি চেঙশিং ফংহন্দ্রি। মীয়ামগী ফংহনফম থোকপা কার্দ অমদি চেঙশিং ফংহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা ফূদ সেক্যুরিটি এক্টকী রেসন কার্দ শাবদা লুপা ১০০/২০০ লৌরে হায়রিবা অসিসু কনা কনানো হায়বদু মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবা ঙাক্তনি।

মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং করিগীদমক্তা ফংদ্রিবনো হায়বদু হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙলবনিনা মীয়ামসু মীকপ থোকপীরো। মীয়ামগী চাকথুং ওইরিবা চেঙ, চিনি অমদি এস কে ওইল লৌথোকখ্রগা ফংহন্দ্রিবা মীওইশিং অসিনা মশক খঙমিন্নরসি। মীয়ামগী চাকথুং চাং নাইনা ফংহন্নবা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# গৌরকেশ্বর অমসুং রবিচন্দ্রদা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ অমদি স্পোর্টস ক্যুইজগী মনাশিং খুৎশিন্নখ্রে



পাউ-চেসিগী কলমনিষ্ঠ অচার্য্য সোরাম ইবোহলনা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইখোম গৌরকেশ্বর মঙাঙচা (ওই) দা মনা খুৎশিন্নবা



পাউ-চে অসিগী টেক্নিকেল ষ্টাফ থিয়াম কামিনিনা স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থোকচোম রবিচন্দ্র (ওই) দা মনা খুৎশিন্নবা

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) : হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইখোম গৌরকেশ্বর মঙাঙচা অমসুং হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থোকচোম রবিচন্দ্রদা হুইয়েন লানপাউগ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ঙসি মনা খুৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউ-চে অসিগী ওফিসতা ঙসি হুইয়েন লানপাউগী লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইখোম গৌরকেশ্বর মঙাঙচাদা পাউ-চে অসিগী কলমনিষ্ঠ অচার্য্য সোরাম ইবোহলনা মনা খুৎশিন্নখি। হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থোকচোম রবিচন্দ্রদা পাউ-চে অসিগী টেক্নিকেল ষ্টাফ থিয়াম কামিনিনা মনা খুৎশিন্নখি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইখোম গৌরকেশ্বর মঙাঙচা খাঙবোক পার্ট থ্রী চেরাপুর লৈকায়দগী সাইখোম অচৌবা অমসুং সাইখোম ওংবী বালাগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক হৌজিক ক্নাকৈথেল ময়াই কোয়বীদা লৈদুনা ইম্ফাল কোলেজদা ফিজিক্স ওনরস তৌদুনা বি এ সী মঙাশুবা সেমিষ্টর তম্লি।

লিটরেরি ক্যুইজগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইখোম গৌরকেশ্বর মঙাঙচানা হায়খি, হুইয়েন লানপাউনা পায়খৎলক্লিবা ক্যুইজ চাংদম্নবা অসিদা কয়ারক শরুক য়াজখ্রে। অদুবু হন্দক্কী অসিনা অহানবা মনা ফংবনি। লিটরেচরগী লম অসি ইশানা অঙাং ওইরিঙৈদগী পামজরকখি। অপোকপা-অপোকপীগী মতমদা শীজিন্নরম্বা লিটরেচরগী লাইরিকশিং য়াওনা লাইব্রেরীদা ফংবা লিটরেচরগী লাইরিকশিং পারগা ক্যুইজ অসিগী অচুম্বা পাউখুমশিং পুথোক্লবা হোৎনখি। ক্যুইজ অসিগী অচুম্বা পাউখুমশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা থিজিন-হুমজিনবা কয়া মথৌ তাই। অচুম্বা পাউখুম পুথোক্লবগীদমক থিজিল্লুবা মতমদা হান্না খঙলমদবা কয়া অমসু খঙহন্দুনা লৌশিং হেনগৎহল্লি।

লিটরেচরগী অমদি স্পোর্টসকী লমদা পাঙথোক্লিবা ক্যুইজ চাংদম্নবা অসিনা লমদমসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা অদুক্কী মতিক কান্নহল্লি। মসিগীসু মথক্তা হেন্না হোৎনহন্নিংবগী ইথিল অমসু পীরি। মহৈরোয় খক নত্তনা খুন্নাই অসিদসু শোয়দনা ক্যুইজ চাংদম্নবা অসিনা কান্নবা পীরমগনি খল্লি। মরম অসিনা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ক্যুইজ চাংদম্নবগী থৌরাং অমা পায়খৎলক্লিবা অসি য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই অমদি থাগৎচনিংই। ক্যুইজ চাংদম্নবা অসি মখা তানসু হেন্না মপুং ফানা পাঙথোকপীরক্কনি খল্লি। ক্যুইজগী ৱাহং হংবদা লমদমসিগী পুৱারীগা মরী লৈনবা কংলাগুম্বা হিষ্টোরিকেল সাইটশিংগা মরী লৈনবা ৱাহংশিংসু হংহন্নিংই। মদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা অমদি তুংগী মীরোলদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউস্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১৩ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থোকচোম রবিচন্দ্র কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দগী থোকচোম রাজু অমসুং থোকচোম ওংবী সুশিলাগী মচানুপানি। মহাক হৌখিবা চহীদা গ্রেজুয়েট লোইরবা মতুং মরুওইবা ইগজামশিং থানবগীদমক হোৎনরি।

স্পোর্টস ক্যুইজগী ৱিন্নর ওইখ্রবা থোকচোম রবিচন্দ্রনা হায়খি, ইশানা লিটরেচরবু হেন্না পামজরুবনা হুইয়েন লানপাউনা চথরক্লিবা লিটরেচরগী ক্যুইজ চাংদম্নবদা কয়ারক হন্না শরুক য়াজরকখি। লিটরেচরগী ক্যুইজ শরুক য়াবগী মথক্তা হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১৩ গী ৱাহংশিং পীরকপা মতমদা অখঙবা পাউখুম খরা য়াওরকপদগী মখা তানা অচুম্বা পাউখুমশিং থিদোক্তুনা স্পোর্টস ক্যুইজদসু শরুক য়ারকখিবনি। অহানবা ওইনা স্পোর্টস ক্যুইজদা শরুক য়াবা অসিদা ৱিন্নর ওইবা ঙল্লকপনি।

ক্যুইজ চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়ারুবগী খ্বাইদগী নুংঙাইরিবসি ইশাদা করিগুম্বা খরা থিজিন্নিংবা অমা ফাওহনবসিনি। ক্যুইজ অসিদা হংলক্লিবা ৱাহংশিং অসি ইচম-চম্বা ওইজরবসু পাউখুম পীবদদি তরাইবা হায়বদু ওইদে। মরম অসিনা অচুম্বা পাউখুমশিং পুথোক্লবা হোৎনবগীদমক থিজিনবদসু অৱাবা অমা ওই অমদি হোৎনবগী ইথিল অমসু পোকহল্লি।

ঐখোয়না দাইনামিক সিটিজন অমা হৌজিক্কী মতম অসিদা ওইগে হায়রবদি হীরম খুদিংমক্তা খঙদবা য়ারক্তে। মরম অসিনা হুইয়েন লানপাউনা স্পোর্টস ক্যুইজ অমদি লিটরেচরগী ওইবা ক্যুইজ চাংদম্নবা পাঙথোরকপা অসিনা লমদমসিগী মীয়ামদা লৌশিং হেনগৎহন্দুনা চাউনা কান্নবা পীরে হায়না খল্লি। ক্যুইজ অসিদা শরুক য়াদুনা মনা ফংদ্রবসু লিটরেচর অমসুং স্পোর্টসকী লমদা খঙবগী চাং হেনগৎহল্লে। মরম অসিনা হুইয়েন লানপাউগ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা পায়খৎলক্লিবা ক্যুইজ চাংদম্নবগী থৌরাং অসি য়াম্না ফবা অমদি মীয়ামগী কান্নবা পীবা খোঙথাংনি হায়না লৌজে।

অরিবা মতমগী ওইবা ৱাহং কয়া খনগৎলগা হংলকপা অসিদা হৌরক্লিবা ঐখোয়না হেক্তমক অচুম্বা পাউখুম খঙবা ঙমদে। অচুম্বা পাউখুম পুথোক্লবা হোৎনবদা থিজিনবা কয়া মথৌ তাই। মদুনা খঙলমদবা কয়া অমসু খঙহনবদা মতেং ওইরি।

লমদম অসিদা ঙসিদি মী কুংনা তাশিল্লকপনা মতম অমদা শান্নবুং ওইরম্বা মফম কয়া মাঙশিল্লক্লি। শান্নবুং ওইরম্বা মফমশিং মাঙশিল্লকপনা লৈকায় অমদা পুন্না লৈমিন্নরিবা অঙাংশিংনা অমত্তা ওইনা শান্নমিন্নবগী খুদোংচাবা অদুসু ফংদ্রে। মসিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হৌরক্লিবশিংনা খঙবগী চাংসু ৱাৎহল্লকপগী মচাক অমা ওইগনি খল্লি। লমদমসিগী শান্নরোয়শিংবু হেন্না থৱায় হাপ্পীনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা স্কোলারশিং হেন্না মপুং ফানা পীহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।